


অহানবা য়ুনাকো ট্রোফি ২০২৪

# হৌদোকপা নুমিৎতা সী এস সী চনুংনা ক্রিপসা নাওরেমথোং মায়থীবা পীখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা য়ুনাকো স্কুলনা স্পোন্সর তৌরগা অহানবা য়ুনাকো ট্রোফি ২০২৪ ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসিদগী হৌরগা চনুংদা লৈবা য়ুনাকো রেসিদেন্সিএল স্কুলদা হৌদোকখ্রে।



টিম ৩২না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোত্তুনা ঙসিদগী হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বরনা অথোইবা মীথুংলেন, য়ুনাকো স্কুলগী চ্যেরমেন এন ইরাবন্তনা থৌরম মপু অদুগা য়ুঠ এফের্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্টর টি ফুলেন মৈতৈ, সী আর পি এফকী এদহোক কম্মান্দেন্ট মহেশ বিশ্বকর্মা, এন আই ভি এস ওগী এদভাইজর ৱাই তোম্বা, ফিল্ম এক্টর আর কে কাইকু অমসুং গোকুলনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী অহানবা মেটচ ওইনা সী এস সী চনুং অমসুং ক্রিপসা নাওরেমথোংগী মরক্তা লন্থা তৌনখি। মদুদা সী এস সী চনুংনা ক্রিপসা নাওরেমথোংবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখিবনি। হয়েং এন এন সী কে এ নোঙ্গ্রেন অমসুং কে ৱাই ভি ও-এ নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদা লম্বা তৌনগনি।

অন্দর ১৭ য়ুঠ লীগ

# ট্রাওনা নেরোকা থোইখ্রে, সী এফ এ অমসুং টি ৱাই দি এ দ্রো চৎখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরদা হৌজিক চত্থরিবা অন্দর-১৭ য়ুঠ লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) অমসুং টি ৱাই দি এ দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা টিদ্দিম রোদ এথলেটিক য়ুনিয়ন (ট্রাও)না নেরোকা এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদগী হৌরগা লোইতাং ফুটবোল এরেনাদা সী এফ এ অমসুং টি ৱাই দি এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা টিম অনীমক্না পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখিবনি। সী এফ এগী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ২৫ অমসুং ৪২ শুবা মিনটতা ভারত লাইরেঞ্জম অমসুং ওইনাম দোনাল্ডনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা টি ৱাই দি এগী পাঞ্জলশিং অদুনা থোকচোম দিনেশ অমসুং সাপম অলবর্ট মৈতৈনা অমমম্ চনখিবনি।


অমরোমদা, হায়রিবা পুংফম অসিমক্তদা খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা ট্রাও অমসুং নেরোকাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙম্মদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদা ট্রাওগী শান্নরোয়শিংনা মেটচ অদুগী ৫৯ অমসুং ৯০ শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা নেরোকাগী ওইনা ৮৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদুদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ট্রাওনা পাঞ্জল ২-১দা থোইখিবনি।

# কেরোম টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসন অমসুং উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাই দিভলপমেন্ট কম্মিটিগা খূৎশম্নরগা মথং থাগী ৮-দগী ১৩ ফাওবা ২৯লক শুবা ষ্টেট লেভেল এজ গ্রুপ এন্দ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কেরোম টুর্নামেন্ট ২০২৪ পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল এসোসিএসন অসিগী ওফিসতগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1033

Christian Silvestre (1942) - IM Alexey Averjanov (2399)
Titled Tue 13th Dec Late chess.com INT (9), 2022.12.13

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.Bg5 Nf6 | 3.Bxf6 exf6 | 4.e3 Bd6 |
| 5.c4 dxc4 | 6.Bxc4 O-O | 7.Nc3 c6 | 8.Nge2 b5 |
| 9.Bd3 a6 | 10.O-O Nd7 | 11.Rc1 Bb7 | 12.Ne4 Be7 |
| 13.Nf4 Qb6 | 14.Qh5 g6 | 15.Qh6 c5 | 16. … |

**QUESTION :**
**White to checkmate**

**Puzzle 1032 Solution :**

**49. Qh8+ Kg5 50. g3** Mating net
Your moves:50.Kg3
Your moves:50.f4+
Your moves:50.Qh4+
Your moves:50.h4+
**f4**
50...Nc5 51.Qh4#
**51.Qh4+ Kf5 52.Qxf4#** Swallow's tail mate
**1-0**

ꯒꯪꯁꯤꯟꯗꯅ ꯇꯦꯁꯇ ꯑꯪꯒꯥꯪꯕꯅ

USED VEHICLES EXCHANGE / 2,3,4 Wheeler Sales with Purchased / Vehicles Loan Available

# Used Vehicles খূদিংমক :- 4/W - XUV-300, Venue, Tata Nexon, Brezza, Bolero New, Alto, Van, Eco Van, Diesel Auto, e-Rickshaw, Commercial Vehicles, Tractors with Heavy Vehicles, JCB etc.
# 2/W :- Activa, Dio, Pleasure with all Motorcycles etc.
# Vehicles শিং Exchange তৌবীনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং Purchasing গী খূদোংচাবা পীজরি।
# 2/4/3 Wheeler গী Loan গী খূদোংচাবসু লৈগনি। (e-rickshaw loan সু ফংবীগনি।

EMPLOYMENT NEWS
# Office Asst. (Nambol, Samurou, Keishamthong)
# 2/Wheeler Mechanic, 2/4 Wheeler Painting Mistry
# Car Wash Helper / Tyre Fitting Helper
N.B. : লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Imphal West, Manipur,
# 9362775475, # 9366434484

HL-B/8455/23/12-21/02







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com